
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




HL-B/11409/10

Vol. 51, Issue No. 77 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং - ৩৪২৪ | য়ুমশকৈশা, ইঙাগী ২৫নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, June 10, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# টোটেল শটদাউননা সী এম ১সুং চীফ জষ্টিসনা হাংদোকপদা ঙাইরিবা এন আই এগী য়াওনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কোর্টশিংগী থবক চপ লেপখ্রে

## তঙাইফদবা ইমর্জেন্সিগী ওইবা রিমান্দনচিংবগী থবক্তি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মেজিষ্ট্রেট/জজশিংগী য়ূমদা পাঙথোক্লখি



**ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচএনএস) :** ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী হেক মথংদা মণিপুরগী খ্বাইদগী চাউবা অনীশুবা কৈথেলনি হায়নরিবা থৌবাল কৈথেলগী পোৎফম ফম্বীশিংনা শিন্থা লেপ্তুনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবগী মখা তারকপদা ঙরাং অহিং নোংয়াইদগী মতম কক্তনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা টোটেল শটদাউনগী খোঙজং চঙশিল্লকপনা ঙরাং অয়ুক চীফ মিনিষ্টর ৰাই খেমচান্দ অমদি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস এম সুন্দরনা লুচিংদুনা হাংদোকখিবা এক্সক্লুসিভ স্পেশল কোর্ট, মণিপুর (এন আই এ) য়াওনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা কোর্টশিংগী থবক লেপখ্রে হায়রি।

মণিপুরগী ওইনা এন আই এগী স্পেশল কোর্ট অসি ঙরাং মণিপুর লৈঙাক্কী লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফেয়রস দিপার্টমেন্টনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগা খূৎশম্নদুনা হাংদোকখিবনি।

থৌরম অসিদা হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম, হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিসশিং, চীফ সেক্রেটরি পি কে গোয়ল, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (লো) নচিংবা মকোক থোংবা ওফিশলশিংসু শরুক য়াখিবনি।

খোঙজং অসি থৌবাল কৈথেল মনাক্তা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা অয়াবা পীবদগী 'বিশাল মেগা মার্ট' কৌবা দুকান/শো রুম অমা হাংদোরকপগী মায়োক্তা মমাঙ থাগী ৩০দগী থৌবাল কৈথেলগী মথক অমসুং মখাদা পোৎফম ফল্লিবীশিংনা বিশাল মেগা মার্ট অসি হাংদোক্কে হায়রবসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# নাগা ভিলেজ গার্দশিংনা ফাজিন্দুনা থল্লকপা কুকি মীচম ১৪ নুমিৎ ২৭নি শুরকপদা তেক্ত-কায়দনা থাদোরকখ্রে

### ঐখোয়বু লুনা তৌবী, অহাওবা চাক-এঙ্গাং পীজরকই, নাগা ইচিন-ইনাওশিংগী তোপ-তোপ্পশিং ঐখোয়না খঙলে : পাওতিনকাই চোংলোই





তেক্ত-কায়দনা থাদোরকখ্রবা কুকি মীচম ১৪গা সিক্যুরিটি পর্সনেল অমসুং নাগা সী এস ওশিংগা পূন্না নন্মীন্নবা ফোটো

**ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ১৩গী অয়ূক্তা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী কোটলেন অমসুং কোটজিম অনীগী মরক্তা লৈবা ইন্টর-ভিলেজ রোদগী মফম অমদা কুকি টেররিষ্ট গ্রুপ অমনা এম্বুশ তৌদুনা থাদৌ চর্চ লীদর য়াওনা মীচম অহুম হাৎখিবা অমসুং অতোপ্পা মরিবুনা শোকহনখিবা থৌদোকপু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা নুমিৎ অদুমক্তদা নাগা ভিলেজ গার্দশিংনা ফাজিন্দুনা মখোয়গী কষ্টদিদা থল্লকপদগী ৰারু-নুংলু থোক্লরকখিবা কুকি মীচম ১৪ ঙসি নুমিৎ ২৭নি শুরকপদা তেক্ত-কায়দনা থাদোরকখ্রে।

নাগা ভিলেজ গার্দশিংগী কষ্টদিদা লৈরুরবা মতুংদা থাদোরকখ্রবা কুকি মীচম ১৪গী মনুংদা অমা ওইরিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কুকি খূৎলায় পায়বা মশেল কাপ্পখ্রে, ১ শিরে

**ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচএনএস) :** পাউচে অসিনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তারকপদা তামৈ পি এসনা কোনবা ফাইজোল কুকি খুলদা কুকি টেররিষ্ট খূৎপু অমগা খুল অসিগী কুকি ভিলেজ দিফেন্স ফোর্সকী মরক্তা খূৎ থোক্লম্বদা লাসং কুকি খুলদগী হৌগিন লৌভুম (৫৫), অপোকপা খুকম লৌভুম কৌবা মীওই অমা নোংমৈ মরুনা পান্দুনা শিরে হায়রি।

...মখা লমায় ৩ কলম ১

# মীচম হাৎপা কুকি মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা লৈঙাক্না এক্সন লৌদ্রিবা করিগীনো : এফ এন সী সী



**ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচএনএস) :** ঙরাং অয়ুক কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী ন্যু কৈথেলমানবী পি এসনা কোনবা তুপুল মনাক্কী হান্না চরোই পান্দোংবা খুল হায়না খঙনরম্বদগী হৌজিক্লা পোংলিংরোং পার্ট ৰান রোংমৈ নাগা খুলগী খুঞ্জা অমা কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ মরূ ৩০ রোম কাপশিন্দুনা মীহাৎ থীনা হাৎখিববু ফুটহিলস নাগা কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (এফ এন সী সী) না অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোক্লদুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কুকি ১৪ থাদোক্লে : অমম্বা অহিং হৌখ্রে, নোংপোক চীঙ্খ্রে ঙাল্লক্লে

### তরাম্না ওকই, মীওইবগী মীনুংশিগী খোঙথাংনি : খেমচান্দ



**ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ১৩দগী ঙরাং নুমিৎ ২৬নি শুরকপা ফাওবদা নাগা ভিলেজ গার্দশিংনা ফাজিন্দুনা মখোয়গী কষ্টদিদা থল্লকখিবা কুকি মীচম ১৪বু ঙসি ২৭নি শুরকপা নুমিৎকী নুংথিলদা তেক্ত-কায়দনা থাদোরকপবু চীফ মিনিষ্টর ৰাই খেমচান্দনা তরাম্না ওক্লদুনা থবক অসি মীওইবগী মীনুংশিগী খোঙথাং অমনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মখোয়বু তেক্ত-কায়দনা থাদোকহন্নবা হোৎনবদা শরুক য়াখিবা মীওইশিং অমসুং ষ্টেকহোল্ডর পুম্নমক্কী মফমদসু তৌবীমল খঙবা উৎলকখ্রে।

মীচমশিং অসিবু থাদোকপদা থৌদাং লৌখিবা নাগা ফূরুপ্পুসু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা থৌওং অসি ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### পূকচেল চাউবা মীনুংশিগী থবকপু থম্মোয় শেংনা থাগৎচরি : নেমচা



**ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচএনএস) :** কোটলেন অমসুং কোটজিম খুল অনীগী মরক্তা থোকখিবা এম্বুশকী থৌদোক্কী নুমিৎতা থাদৌ কুকি খুলদগী ফাজিন্দুনা থল্লকখিবা খুঞ্জা ১৪বু ঙসি নুংথিল তেক্ত-কায়দনা থাদোরকখিবদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর নেমচা কিপগেননা থৌওং অসি পূকচেল চাউবা মীওইবগী মীনুংশিগী থবক্লি হায়রদুনা থম্মোয় শেংনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

মসিগীদমক মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টর, নাগালেন্দ অমসুং মেঘালয়গী চীফ মিনিষ্টরশিং, নাগা সী এস ও পুম্নমক, বেপটিষ্ট ৱর্ল্ড এলাইএন্স, ফূরুপ পুম্নমক্কী লূপশিং অমসুং থৌদাং লৌখিবা মীওইশিংবুসু মখোয়না হনবা লৈতনা হোৎনবীবদগী তেক্ত-কায়দনা থাদোরকপা ঙল্লিবনি হায়নসু ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## এন দি এনা লৈঙাক পায়বা ষ্টেট/য়ুনিয়ন টেরিটরি ২২গী চীফ মিনিষ্টর অমসুং দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরগী মীফম পাঙথোক্কদৌরি

**ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ১১দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চ্যের লৌদুনা এন দি এনা লৈঙাক পায়বা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি ২২গী চীফ মিনিষ্টর অমদি দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরনা শরুক য়াবা মীফম অমা দেল্লীদা পাঙথোক্কদৌরি।

এন দি এনা য়ুনিয়ন লৈঙাক পায়রকপা চহী ১২ মপূং ফারকপগা ইরোয়নরিবা মীফম অসিনা সেন্টর অমসুং ষ্টেটশিংনা খূৎশম্নিনা পায়খৎপা মরু ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিং রিভিয়ু তৌগনি। মীফম অসিগী মতুংদা মোদিনা চ্যের লৌদুনা নিতি আয়োগকী মীফমসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

## থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টোটেল শটদাউননা মীয়াম ৱাহনবগী মহুত্তা লিগেলগী খোঙথাংদা চঙশিনবীয়ু : টাল

**ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচএনএস):** থৌবাল কৈথেলগী মথক অমসুং মখাদা পোৎফম ফল্লিবীশিংনা ঙরাং অহিং নোংয়াইদগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা চঙশিল্লক্লিবা টোটেল শটদাউনগী খোঙজংগী মতাংদা থৌবালগী তোঙান তোঙানবা লূপ ৩০গী অপূন লূপ ওইরিবা থৌবাল অপূনবা লূপ (টাল) না মতম কক্তবা খোঙজং অসিনা মহৈলোয়শঙ অমদি নুংতিগী তঙাইফদনা চঙবা পোৎলম থিংজিনবা, মীয়াম্বু অৱাবা পীবগী মহুত্তা খোঙজং ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# চীফ মিনিষ্টরনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মোবাইল মেদিকেল য়ুনিট ১৩ লমথাখ্রে



**ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচএনএস) :** প্রধান মন্ত্রি জনজাতি অধিবাসি ন্যায় মহা অভিয়ান (পি এম জনমন) অমসুং ধর্টি অবা জনজাতিয়া গ্রাম উটকর্স অভিয়ান (দি এ-জে জি য়ু এ) গী মখাদা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগীদমক মোবাইল মেদিকেল য়ুনিট ১৩ চীফ মিনিষ্টর ৰাই খেমচান্দনা লমথাখ্রে।

লৈঙাক্না মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা অনা-লায়েংগী থবক হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনরকপগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

# ক্ষেত্রিগাও এ সীগী থা ২গী চেঙ মাঙখ্রে মীয়াম্বু চরা হেলহনবীগনু : ইবেমচা



**ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ইষ্টকী ক্ষেত্রিগাও এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী পোল্লিং ষ্টেশনশিংগী নেশনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট (নফসা) গী বেনিফিসরিশিংদা লৈঙাক্না থা খুদিংগী ফংহল্লক্লিবা চেঙ থা ৩গী ওইনা লৌথোকখ্রে হায়রবসু মীয়ামদদি থা ১দগী হেন্না ফংদ্রে হায়দুনা এ সী অসিগী তোঙান-তোঙানবা লৈকায়গী মৈরা পায়বীশিংনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিন্দুনা চেঙ ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## অসামগী এমপ্লোয়ী, পেন্সনরশিংগী দি এ/দি আরদা চাদা ২ হেনগৎনা পীরগনি

**গুৱাহাটি, জুন ০৯ (এজেন্সী):** চীফ মিনিষ্টর হিমন্ট বিশ্বা সর্মনা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকপা অসাম লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফম্না ষ্টেট অদুগী এমপ্লোয়ী/পেন্সনরশিংদা হান্না পীরকপা দি এ অমসুং দি আরগী চাদা ৫৮-দা অনী হাপকৎতুনা চাদা ৬০গী চাংদা মথং থাদগী পীবা হৌরগনি হায়না ৱারেপ লৌখ্রে। ৱারেপ অসিমক চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগীসু মহাক্কী সোশল মীদিয়া প্লেটফোর্মদা ওফিশল ওইনা ফোঙদোরকখ্রে। চাদা অনীগী চাংদা হেনগৎহল্লবা দিয়রনেস এলাওৱেন্স অমসুং দিয়রনেস রিলিফ অসিনা অসাম লৈঙাক্কী মখাদা মথৌ পাঙথোক্লিবা এমপ্লোয়ীশিং য়াওনা পেন্সনরশিংগা পূন্না মীওই লাখ ৮ হেনবদা কান্নবা ফংহল্লগনি হায়রি। থৌরাং অসি অসাম লৈঙাক্না ৱার্ক ফোর্স অমসুং পেন্সনরশিংগী য়াইফনবা লৌখৎলকপা থৌরাংগী মনুং চনবনি হায়রি।

## মীতোপশিংনা লোগী ৱাংমদা ইন্দিয়াদা লৈরম্লবদি অকনবা থবক লৌখৎকনি

**ন্যু দেল্লী, জুন ০৯ (এজেন্সী):** দেল্লীদা ঙসিদগী হৌরদুনা নুমিৎ হুম্নি চথগদবা লৈবাক অসিগী বি এস এফ অমসুং বাংলাদেশকী বোর্দর গার্দ বাংলাদেশ (বি জি বি) গী ৫৭শুবা দিরেক্টর জেনরেল-লেভেল বোর্দর কোওর্দিনেশন কনফরেন্স হৌদোকখিবগা ইরোয়ননা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়রসকী ৱাঙাঙলোই রন্ধীর জয়সৱালনা মীফম অসিনা বোর্দর সিক্যুরিটি, ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেশন, ট্রান্স-বোর্দর ক্রাইম অমসুং ঙমখৈ পরিংদা শম্বল খাবগা মরী লৈনবা থবকশিংদা মীৎয়েং থমগনি থাজে। লোয়ননা লৈবাক অসিদা লোগী ৱাংমদা মীতোপশিং লৈরম্বা থেংনরবদি মখোয়গী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎকনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

ঙসিদগী হৌখিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## খূৎশু-খূৎলায়শিং ফংলে

**ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা চাণ্ডেল দিষ্ট্রিক্টকী চকপিকারোং পি এসনা কোনবা আইগিজাং এরিয়াগী মফম অমদগী পোইন্ট ২২গী রাইফল অমা, মেগজিনগা কোন্নবা ৯ এম এমগী লোকল মেদ পিষ্টোল অমা, লোকল মেদ সী এম জি মঙা, লোকল মেদ লেথোদ গন মরি, পোকখায়বা য়াবা মচাক কিলোগ্রাম ১.২ অমসুং বাউফেং রেদিও সেট অহুম রিকোভর তৌরে হায়রি।

## য়ু জি অনী ফারে

**ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোলগী মতুংইন্না ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা কেসী পি-তাইবংঙানবগী ৱাংঙু শগাং কৈথেলদগী হাওবিজম হরিদাস এলিয়জ খোংনাং (৪৩) কৌবা কাদর অমা জেনিমস ম্যেন গেট ময়াদগী ফারে হায়রি।

অমরোমদা, ঙরাং অৱাং সেকমাই খুনৌদগী কে ঐচ জেমস (২৮) কৌবা কে ৰাই কে এলগী কাদর অমা মোরে পি এসনা কোনবা বোর্দর পিল্লর নম্বর ৭৬কী এরিয়াদগী ফারে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবসি শিবা ঙাইরিবনি, তাবীদনা লাকখ্রবনিনা কনাদা করিসু হায়নীংঙাই লৈত্রে : বিনারানি

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
হকথেংনবা পাউদম
মোরে ৱার্দ নম্বর ৬তুগী খুঞ্জা

**(ঙরাংগী মখা...)** মোরে ৱার্দ নম্বর ৬তগী লাঞ্জেল্লক্তুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী অকাম্পাৎতা হাংবা রিলিফ কেম্পতা হৌজিক চহী অহুম হেল্লক্লবা ফাওবদা চঙজফম লৌরক্লিবী লাইরেনলাকপম বিনারানি (৫৬) না পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা আই দি পিশিংনা লম্বীদা থোক্তুনা অমসুং মীগী ময়ূমদা চঙদুনা পোৎচৈ য়োল্লক্লিবসি চান-থক্লবা খক্তগী নত্তে, অঙাংশিংগী মহৈ-মশিং তম্বা, অনা-অয়েক য়াওরকপদা লায়েংবা অমসুং ফিরোল শেৎ-চাদবা য়াদবনিনা অসিগুম্বশিং অসিগীদমক শেলগী মথৌ তারকপদা মতেং ওইনবা য়োনবনি। চানবগীদমক লৈঙাক্না পীরিবা শেল অসিসু মতম চানা-চানা পীবিদবনিনা শোৎলগা চাশিল্লবা মতুং শিংবদা অৱাবা ওই। মোরেদা তমথীরবা লান য়ৌশিল্লকখিবা মতম অদু ইমা কোন্দোং লাইরেম্বী হরাওবগী মূক্না শান্নগদবা লৈবনিনা মসি য়েংলুনবগীদমক ঈরাংগী ৱাফম খল্লুদনা নুমিদাংগী চাক থোংদোক্লো হায়বদগী থোঙ্গৎপা হৌরগা চেঙ শুননবা ঈশিং শাবা হৌগৎলকপদা য়ুম মৈ থাবগী প্রোক-প্রোক লাউনা চাকপগী মখোল তাবা হৌরকখিবনি। য়ুম মৈ থাবা হৌরকপদগীদি ঐহাক্না লৈরিবা মোরে ৱার্দ নম্বর ৬কী মীতৈ পুম্নমক মানা-মানা থোকপা চেন্নরে। ঐগীনা নুমিদাংগী চাক থোংবা নংহৌদ্রে। ঐখোয়গা থংনবা য়ুম অদুগীদি চাক থোংবা নংহৌই হায়। মরম অসিনা মখোয়দি লাঞ্জেল্লকপদা চাক-এঙ্গাং য়াওবা কোল-লিক অমসুং খাং ফাওবা পুরক্তুনা হোটেল তম্না চেল্লকখি।

লাংলেন হোটেল, কে ভি হোটেল অমসুং রাজকোট হোটেল হায়না খঙনবা হোটেল অহুম লৈবগী মনুংদা ময়ায় থংবদা লৈরিবা রাজকোট হোটেলদা চেনশিন্দুনা লৈরে। য়ুমশিং মৈ থাবগী মৈরি উবা অমসুং মখোল তাবনা ঐখোয় থৱায় হিংনবগীদমক কদোমদা চেনগদগে হায়বা খঙখিদে। মোরে কৈথেলদা লৈবা মীতৈগী য়ুমশিং হান্না মৈ থাবা হৌরকখিবনি। মীতৈগী য়ুমশিং মৈ থাবা অমসুং কাংশি খিংবা খক্তা নত্তনা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল কয়াসু তারকখি। মীতৈশিং তৌফম খঙদনা লৈরিঙৈগী চৈরক্তা সিফাইশিং লাক্লগা কৌথোক্লখি। অহানবদা ঐখোয়বু মোরে পুলিস ষ্টেশনদা থম্মী মদুগী মতুংদা অসাম রাইফলসকী কি লোকেশন পোইন্ট (কে এল পি)দা থমখি। (মথং-মথং)

# প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা মেজর লৈশাংথেম দীপক অমসুং লৈখিদ্রবা দীপক চীংঙাখমদা শৌর্য্য চক্র পীখ্রে





**ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচএনএস) :** প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা ঙরাং রাষ্ট্রপটি ভবনদা পাঙথোকখিবা দিফেন্স ইনভেষ্টিচিওর সিরেমোনি ২০২৬কী ফেজ ৱানগী থৌরমদা দিফেন্স ফোর্সেস, সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স অমসুং ষ্টেট/য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংগী পুলিস পর্সনেলশিংদা কির্টি চক্র ৭, বির চক্র ১৫ অমসুং শৌর্য্য চক্র ২৯ খূৎশিন্নখ্রে।

তোঙান তোঙানবা লান্মীগী শক্লাইরবা এৱার্দশিং খূৎশিন্নবদা কির্টি চক্রদা লৈখিদ্রবা অনী, বির ...মখা লমায় ৩ কলম ৪